জাদুমনিনা জি আই সিট তেংবাংখ্রে

ককচিং, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস): খাঙবোক এ সীগী মনুং চন্না লৈবা ময়ুম-মকৈ ফজনা শেমজিন-শাজিনবা ঙমজদ্রবা য়ুমশিংদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরম্বা থোকচোম জাদুমনিনা চৎতুনা ঙরাং জি আই সিট তেংবাংখ্রে। অনা-অয়েক নংলবা ইমুংশিংদসু শেলগী মতেং পাংখ্রে।

তেংবাং পীবা অদুগা মরী লৈননা টি ঐচ জাদুমনিনা ফোঙ-দেকখিবদা, হৌজিক হৌজিক মীয়াম্না কোভিদ-১৯গী অৱাবা মায়োক্লরিঙৈ চৈরকসিদা নোংজুথা অমুক ওইশিল্লকপা অসিদা মীওই খরদি অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। মসিদা হান্নদগী হৌনা এ সী অসিগী অৱাবা নংলবা মীয়ামদা মতেং পাংদুনা লাক্লিবা অসিগী মখা চখুরকপা ওইনা য়ুমগী ফীভম শোক্লবা খাঙবোক এ সীগী ইমুংশিংদা লেপ্তুনা চুরক্লিবা নোংনা শোকহল্লবা য়ুমশিং অসিদা খুদক্তা চৎতুনা জি আই সিট পীদুনা মতেং পাংলুবনি হায়রি।

কাদানা য়ু ফাগৎখ্রে

জিরিবাম, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস): কাদা দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা ঙসি অয়ুক পুং ৮ রোম তাবদা কালিনগর ৱার্দ নম্বর ১ দগী ওটোরিক্সো অমদা পুরকপা য়ুঙৌ লিটর ১০০ রোম ফাগৎখ্রে হায়রি।

ফারবা য়ুশিং অদু কাদাগী কষ্টদিদা থল্লি। মসিগী মতাংদা কাদা জিরিবামগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ রতননা হায়খি, লুরবা মতম অসিদা খুন-খুনশিংদা য়ু থকফম ওইবতা নত্তনা ইনাৎকী মিংদা য়ু শুংদুনা বিজিনেস ওইনা ওন্থোক্লিবা অসিদা কাদা জিরিবামনা সী এস ওশিংগা তান্নদুনা থিংনবা অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা চে-চাং পীশিন্দুনা অকনবা এক্সন লৌখৎনবা হোৎনরগনি হায়খি।

জপানিজ এন্সেফ...

লামায় ১গী মখা... অদুগা জুলাই ৩০গী অয়ুক্তা থিয়াম কোঞ্জিন্দা লৈবা য়ুমদা মহাক্কী লোয়নবী অসি লৈখিদবনি। মরম অসিনা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংদা জষ্টিস ফংহন্নবা থৌদোক অসিগী মতাংদা থিগৎপীয়ু হায়নসু চেরোল অদুদা পল্লি।

Important Phone Nos.

RIMS	- 2414478
J.N. Hospital	- 2450385
DG Control	- 2450100

FIRE SERVICE

Imphal	- 101
Moirang	- 8415925197
Churachandpur	- 8415925191
Thoubal	- 8415925203
Kakching	- 8415925194
Jiribam	- 8415925193
Mayang Imphal	- 8415925196
Bishnupur	- 8415925190
Moreh	- 8415925198
Kangpokpi	- 8415925195
Ukhrul	- 8415925205
Senapati	- 8415925199
Chandel	- 8415925192
Singhat	- 8415925201
Sugnu	- 8415925202
Yairipok	- 8415925206

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	88.593050
US Dollar	74.810617
British Pound	98.395085
Australian Dollar	53.748813
Chinese Yuan Renminbi	10.725164
Japanese Yen	0.712762
Malaysian Ringgit	17.641290
Singapore Dollar	54.547966
South Korean Won	0.062900
Saudi Arabian Riyal	19.949498
Thai Baht	2.397931
Myanmar Kyat	2.397931
Bangladesh Taka	0.88446

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	53739.00
Mumbai	–	Rs	53572.00
Delhi	–	Rs	53506.00
Kolkata	–	Rs	53504.00

GAS NEWS

MANIPUR GAS SERVICE
Booking Upto : 04/07/2020
Valid From : 04/06/2020
Home Delivery Only
Contact Nos. 8730954041, 8259969582
Call Timing: 8.00am –11.30am

M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto : 18/07/2020
Valid from : 08/07/2020
***19kg Available
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM

MAIBIA GAS MOIRANG
Booking upto : 20/06/2020
Valid from : 13/06/2020
STOCK : 306
(HOME DELIVERY SERVICE),CONTACT NOS. 1.DILIP-9612883295 (MOIRANG A/C). 2.AJAY-7005667570-7005667570 (THANGA A/C), 3.ROJEN--8787381746 (KUMBI A/C).BOOKING vv CONTACT NO. 7085972248. TIMING--8 AM TO 12 NOON.

CANCHI INDANE SERVICE
FOR BOOKING CONTACT
KWAKEITHEL : 7627964837 & 7627964917
NAOREM LEIKAI : 9863131337
CONTACT TIMING : 09.00 to 11.00 am

SAWOMBUNG'S INDANE
Booking upto : 15/06/2020
Valid from : 20/05/2020
Stock : 306
Home delivery only
Contact number - 6033854884
Time - 8.00am to 11.00 am

'ডোক্তর, হেল্থ ৱর্করশিংগী অৱাৎ-অপা লৈহনবীগনু'

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস): লমদম অসিদা হৌজিক কোভিদ-১৯ লাইচৎ থেংননবা লৈঙাক্লা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু থম্বগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা মথৌ তৌরিবা ডোক্তরশিং, নর্সশিং অমদি হেল্থ ৱর্করশিংগী মরক্তা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে হায়রি।

মরুওইনা হৌজিক কোভিদ-১৯না নাবা মশিং য়ামখৎলকপগা লোয়ননা লৈকায় খরদা কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখিবা অসিনা মরম ওইদুনা মফম অদুদা লৈবা ডোক্তর, নর্স, হেল্থ ৱর্কর অমদি ষ্টাফনচিংবা লাক্তবগী ফীভম লৈবনা জেনিমস হোস্পিটালদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে হায়রি।

হোস্পিটালদগী ফংবা পাউমতুংইন্না হৌজিক জেনিমস হোস্পিটালদা ডোক্তর, নর্স অমদি হেল্থ ৱর্কর ৮০ রোম ময়ুমদা হনবগী খুদোংচাদবা, মখোয়গী লৈফম চাফম অমদি চান-থক্লবা শীনবদা অচৌবা অৱাবা মায়োক্লরি হায়রি। প্রাইভেট হোস্পিটাল অয়াম্বা কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইদুনা থোঙ লোন্নখিবদগী হৌজিক অয়াম্বা জেনিমস অমদি রিমসতা তোঙান-তোঙানবা অনাবা মীওই কয়া পুখৎলক্লি। মখোয়শিং অদু লায়েংনবা হোৎনবদা ডোক্তর, নর্স অমদি ষ্টাফশিংনচিংবা মশিং ৱাৎলকপনা অৱাবা মায়োক্লরি। মথৌ তৌরিবা ডোক্তর, নর্স, হেল্থ ৱর্করশিং য়াওনা মখোয়গী লৈফম-চাফম অমা পীবীনবা লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯ লাঙ্গেংনবা অসি লোইদ্রিবা ফাওবদি ময়ুমদা হন্দনবা এরেঞ্জ তৌহন্নিংই। মখোয় ময়ুমদা হনবদসু য়ুমগী মীওই অমদি লৈকায়গী মীওইশিংনা নুংঙাইতবা কয়া লৈ। মরম অসিনা মণিপুর লৈঙাক্লা অকনবা মীৎয়েং চঙবীনবা ফোঙদোরক্লি।

ইদকী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস): য়ুনাইটেদ মৈতৈ-পাঙল ওর্গনাইজেসন মণিপুর (য়ু এম পি ও)না ওগষ্ট ১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইদ-উল-অঝাগা মরী লৈননা য়াইফ-পাউজেল পীরক্লি হায়না ওর্গনাইজেসন অসিগী সেক্রেটরি এম দি মনোৱার আলিনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি মালেমগী মফম পুম্নবদা কোভিদ-১৯না পীরিবা চৈথেং অসিনা ইরমদম অসিদসু অকনবা শাফু অমা মায়োক্লরি। লাইচৎ অসিবু পাল্লিবা লৈঙাক, অখঙ-অহৈ, সী এস ও কয়া য়াওনা তুম্না-চাবা তুংওইন্নরগা লাইচৎ অসি মণিপুরদগী লাকশিন্নবা চোকথবা লৈতনা হোৎনরি। লমদমসিগী মীয়াম্না প্রোটোকোল অমদি এস ও পি ঙাকপা ওইনা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা ইদকী কুম্হৈ অসি ইশা-ইশাগী য়ুমদা ওইনা পাঙথোকপীয়ু হায়না আপিল তৌরি। লোয়ননা মাস্ক উপ্পগা লোয়ননা য়ুমদা লেংদনা লৈবীয়ু হায়রি।

ভি দি এফশিংগী দিমান্দ ফংদ্রিবা ফাওবা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিল্লগনি : এসোসিএসন

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস): দিমান্দ ফংদ্রিবা ফাওবা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না ওল মণিপুর ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি সঞ্জিৎ সগোলশেমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ওল মণিপুর ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসন্না মতম কয়াগী মমাঙদগী দিমান্দ কয়াগা লোয়ননা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা হৌখিবা জুলাই ১৬ তগী আর্মস দাউন পেন্স দাউননচিংবা খোঙজং কয়া চথরক্লি। জুলাই ২০দগী অমুক অহেনবা এজিটেসন হাপচিন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী কন্সর্ন কম্মিটিশিংনা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্টশিং রোটেসনদা দিষ্ট্রিক্ট মনুংগী কন্সর্ন ষ্টেসন, আউটপোষ্ট অমসুং দ্যুটি লোকেসন খূদিংমক্তা য়ুনিফোর্ম শেৎতুনা লোকেসন মমাঙদা লেপ্তুনা সিট ইন প্রোটেষ্ট কয়া এস ও পি ঙাক্তুনা স্লোগান কয়াগা লোয়ননা প্লে কার্দ কয়াসু পায়খি। অদুবু নুমীৎ ১৭ নি শুরবা ফাওবা তাশিন-উশিন্নদনা লৈরকপা অসিগা মরী লৈননা ওল মণিপুর ভি দি এফ গার্জিয়ান এসোসিএসন, ওল মণিপুর ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসন সেন্ট্রল কম্মিটি, দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী কম্মিটিশিং, লিগেল এদভাইজরি সেন্ট্রেল কম্মিটি অমসুং এদভাইজরি বোর্দকী অপূনবা মীফম পাঙথোক্তুনা এস ও পি ঙাক্লুগা য়াম্না অকুপ্পা ৱাফম কয়া খন্নদুনা ৱারেপ কয়াসু লৌখ্রে। লোয়ননা কম্মিটিশিং অসিগী অপূনবা মেম্বর খরা লৌখৎতুনা কন্সল্টেটিভ কম্মিটি কৌবা অমা শেমদুনা এসোসিএসন অসিদা হেন্না মপাঙ্গল পীহন্নবা ৱারেপসু লৌখ্রে।

ৱারেপশিং অদুদি, ওল মণিপুর ভি দি এফ গার্জিয়ানশিংগী ওইবা সিট ইন প্রোটেষ্ট গ্রেটর ইম্ফালগী মফম অমদা পাঙথোকপা, প্রোটেষ্ট অদুদা ইমুং অমা হিংবদা তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলম কয়া খুদম ওইনা চফু, উয়ান, খাবৈ, চেগপ অমসুং অঙাংশিংগী স্কুলগী বেগ, লাইরিকনচিংবা কয়া পুথোক্তুনা প্রোটেষ্ট তৌবা, মসিদসু করিগুম্বা গভর্ণমেন্টনা তাবীদ্রবদি কোভিদ-১৯গী য়াম্না মরুওইবা মফম কয়াদা খুদম ওইনা কম্যুনিটি ক্বারন্টিন সেন্টর, কোভিদ ক্যের সেন্টর অমসুং আইসোলেসন ৱার্দশিংদা ভি দি এফশিংনা লৌরিবা দ্যুটি লোকেসন থাদোকহনবা, লোয়ননা লাক্লিবা ওগষ্ট ৯ ফাওবদা গভর্ণমেন্টগী মায়কৈদগী পোজিটিভ রেস্পোন্স পীবীদ্রবদি মথংগী নুমীৎ ওগষ্ট ১০গী অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা ইম্ফালগী মফম অমদা ওল মণিপুর ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসন সেন্ট্রেল কম্মিটিগী দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী মেম্বর ১০,০৫০ গী অচৌবা মেগা মীটিং অমা পাঙথোক্তুনা স্লোগান য়াওনা রেল্লি তৌবা, চীফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলো অমদি মণিপুর এসেমব্লী হোল তম্না চঙশিনবা হায়নচিংবা য়াওরি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, জুলাই ৩০ দগী হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিন্নবা তৌরম্বা অদু মুস্লিম ইচিল-ইনাওশিগী য়াম্না চাউরবা কুম্হৈ ইদুল অঝা ফেষ্টিভেলগা মরী লৈননা নুমীৎ নীনি হায়বদি জুলাই ৩১ অমসুং ওগষ্ট ১ গী ওইনা কোমথোক্কনি। অদুবু হান্নদগী চঙশিল্লিবা আর্মস দাউন পেন্স দাউন ষ্ট্রাইক অসিদি অদুমক মখা চখিগনি। ওগষ্ট ২দগী হেন্না কনবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লগনি। মরম অদুনা মরী লৈনবা গভর্ণমেন্টনা মীনুংশিগা লোয়ননা অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুবীরক্লবা এসোসিএসন্না আপিল তৌরি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

মীয়াম অৱাবা মায়োক্লরে

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খুন খরদা হৌজিক কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মশিং হেনগৎলক্তুনা লৈঙাক্লা কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রবা লৈকায়গী মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবা অৱাবশিং মরুওইনা ফেস মাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজর অমদি চান-থক্লবা পোৎলমশিং ফংদবগী অৱাবা চাউনা মায়োক্লরে।

অৱাবা অসিনা পূক্নিং হেন্না ৱাহল্লে। মরম অসিনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মতম চানা মীৎয়েং চঙবীদুনা থবক লৌখৎপীয়ু হায়না লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফ্যের এসোসিএসন (লেৱা)গী প্রসিদেন্টনা ফোঙদোরক্লি।

মীওই ২৮৬ ফ্লাইট ৫ দা ইম্ফালদা পুশিল্লকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিদা হৌজিক কোভিদ-১৯ লায়না থেংননবা লৈঙাক্লা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু থমদুনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলিঙৈ মনুং অসিদা ঙসি তোঙান তোঙানবা ফ্লাইট ৫দা মপান লমদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ২৮৬ ইম্ফালগী বীর টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ৯.১৬ রোম তাবদা ইন্দিগো ৬ ঈ-২৫১ ফ্লাইট অসিনা দিল্লি অমদি গুৱাহাতিদা পন্দুনা লৈরম্বা নুপা ২৮, নুপী ২৬, অঙাং ৩ য়াওনা পুন্না মীওই ৫৭ ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখি। অনীশুবা ফ্লাইট এয়র এসিয়া আই ৫-৭৮৩ অসিনা অয়ুক পুং ১০.৩৯ রোম তাবদা দিল্লি অমদি গুৱাহাতিদা পন্দুনা লৈরম্বা নুপা ৩৮, নুপী ৩৫, অঙাং ৬ য়াওনা পুন্না মীওই ৭৯ ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে।

অহুমশুবা ফ্লাইট এয়র ইন্দিয়া ৯ আই-৭৪১ অসিনা ঙসি নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩২ রোম তাবদা গুৱাহাতি অমদি দিমাপুরদা পন্দুনা লৈরম্বা নুপা ২৬, নুপী ৬, অঙাং ২ য়াওনা পুন্না মীওই ৩৪ ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখি। মরিশুবা ফ্লাইট ইন্দিগো ৬ ঈ-৬৩২৩ অসিনা ঙসি নুংথিল পুং ১.১০ রোম তাবদা কোলকাটাদা পন্দুনা লৈরম্বা নুপা ২৩, নুপী ২৪, অঙাং ৩ য়াওনা পুন্না মীওই ৫০ ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখি। নুংথিল পুং ২.০২ রোম তাবদা মঙাশুবা ফ্লাইট এয়র ইন্দিয়া এ আই-৮৮৯ অসিনা দিল্লিদা পন্দুনা লৈরম্বা নুপা ৩৭, নুপী ২৪, অঙাং ৫ য়াওনা পুন্না মীওই ৬৬ ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখি।

ঙসি তোঙান-তোঙানবা ফ্লাইট ৫দা পুশিল্লকখিবা মীওই ২৮৬ অদু ইম্ফাল এয়রপোর্টতা লৈবা মেদিকেল ষ্টাফশিংনা স্ক্রিনিং তৌরবা মতুংদা মখোয় মপান্দা থৌরাং তৌদুনা লৈরিবা মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্টকী বসতা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা গাড়ী তোংহল্লগা ঘড়ীদা লৈবা ঐচ আর দি একাদেমীদা থমখি। তুংদা মখোয় তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মরী লৈনবা মীওইশিং লাক্লগা মাগী মাগী ক্বারন্টিন তৌফমশিংদা পুখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা মে ২৫ দগী ঙসি ফাওবদা কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইদুনা মপান লমদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ২৪,২৬৬ রোম শুরে হায়রি।

কিদনেপ তৌখিবা সুপরভাইজর অনী থিবা ফংদনা লৈরি

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল-তুপুল রেলৱে প্রোজেক্টকী ব্রিজ নম্বর ৪০গী থবক শুরিবা সুপরভাইজর অনী জুলাই ২৫গী নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদা শকখঙদবা খুৎলায় পায়বা মীওই ৫না ফাদুনা পুখিবদগী ঙসি ফাওবা মফম খঙদনা লৈরি।

তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তৌসেম পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা কৈমাই মনাক্কী খুনবুং খুনদা লৈবা রেলৱেগী ব্রিজ নম্বর ৪০গী থবক শুরিবা শিন্নী অনী অদু খুৎলায় পায়বা শকখঙদবশিং অদুনা ফারগা পুখিবদগী ঙসি ফাওবা মখোয়গী খোঙ্গুল লীবদা ফংবা ঙমদ্রি হায়রি। মফম অদুদা ১১৯শুবা টেরিটোরিএল আর্মি কাঙবু অমসু লৈবনি হায়রি। খুনবুং খুন অদুদা মখোয় হৌজিক মীওই ১৫ রোম থবক শুদুনা লৈবনি হায়রি।

শকখঙদবশিং অদুনা থবক শুরিবা শিন্নীশিং অদু লোইনা কৌশিল্লগা কিহন-খঙহল্লবা মতুংদা মখোয়গী মরক্তগী সুপরভাইজরনি হায়বা মীওই অনী খন্দোক্লগা পুখিবনি হায়রি। হৌজিক ফাওবদা মফম খঙদনা লৈরিবা শিন্নী অদুদি অসামগী সালচাপারা খুনদগী মনিশ কুমার দাস (৪০) অমদি সিলচরগী রঙ্গিরখারি কালপুর পার্ট টুদা লৈবা অঞ্জন পন্দিত (৩৮)নি। মখোয়শিং অদু কুকি মিলিটেন্টনি চিংনবশিংনা রেন্সমগীদমক ফারগা পুরম্বা য়াই হায়না পুলিস অমদি আর্মি কাঙবুনা মফম অদুগী অকোয়বদা থিহুন্বগী থবক্তি লেপ্তুনা চথরি হায়রি।

শেল খোম্বীগনু

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা হৌখিবা মার্চ থাদগী লোকদাউন তৌদুনা লৈরিঙৈ মতম অসিদা অৱাং লৈকিন্থৱীনা কোল্লিবা মফম অসিদা মাইক্রো ফাইনান্স তৌরিবশিং য়াওনা নুমীৎ খূদিংগী, চয়োল অমদি থাখায়গী শেল খোমগৎলিবশিং, লৈকায়গী মরুপ অমদি টৈন্দর তৌরিবা অমসুং শেন্দোয় শান্দোক্লিবশিংনা লোকদাউন অসি কোমথোক্তুনা তং-তাবা ফীভম অমা লাক্লিবা ফাওবা মখল অমত্তগী শেল খোম্বীদনবা অৱাং লৈকিন্থৱী দিভ্লপমেন্ট কম্মিটি, অৱাং লৈকিন্থৱী মোর্দন য়ুথ এসোসিএসন, মৈরা পায়বী অমসুং অৱাং লৈকিন্থৱী ৱার্দ ১ অমসুং ২গী মেম্বরশিংনা আপিল তৌরি হায়না অৱাং লৈকিন্থৱী দিভ্লপমেন্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মীওই ৩৩০ ফাইন থিহনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিদা হৌজিক কোভিদ-১৯ লাইচৎ লাকশিন্নবা লৈঙাক্লা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু থম্বগা লোয়ননা পুলিসনা তোঙান-তোঙানবা মফমদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলক্লিঙৈ মনুংদা লম্বীদা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু থুগায়দুনা থোরকপা, মাস্ক উপ্তবা অমদি সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা মীওইশিং পুলিসনা ফাগৎলগা দিটেন তৌবগী থবক কন্না চথরি।

ঙসিসু তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা দিপ্লোয় তৌরিবা পুলিসশিংনা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু থুগায়দুনা লম্বীদা থোরকপা মীওই দিটেন তৌখি, ফেস মাস্ক উপ্তবা, সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা মীওইশিং ফাগৎলগা ফাইন থিহনখি। পুলিসনা অয়ুক অঙনবদগী হৌনা নুমীদাং ফাওবা লৈরক-খুল্লক ফাওনা চৎতুনা লম্বীদা থোরকপা মীওইশিং তানশিনবগা লোয়ননা দুকান হাংবশিংসু য়ারিবমখৈ মী পুন্দনবা পাউতাক পীখি।

ঙসি তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা পুলিসনা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু থুগায়দুনা থোরকপা ফেস মাস্ক উপ্তবা, সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা মীওই পুন্না ৩৩০ দিটেন তৌখি। লোয়ননা ট্রাফিক্কী চৎন-কাঙলোন ঙাক্তবা গাড়ী ২১সু দিটেন তৌখি হায়রি। মখোয়দগী পুন্না লুপা ৯০,৩০০ রোম ফাইন থিহনখি হায়রি। লৈঙাক্লা চথরিবা লোকদাউনগী মায়োক্তা থবক চথরক্লবদি নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট ২০০৫কী মখাদা চৈরাক ফংবা য়াই হায়রি।

এম এল এ জয়কিষনদা হায় কোর্টনা ওবজেক্সন ফাইল তৌরক্লবা নুমীৎ নীনিগী মতম পীখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী মীখলদা ৯-থাংমৈবন্দ এ সীদগী কোংগ্রেসকী টিকেটতা কারকখিবা খুমুকচম জয়কিষনগী মায়োক্তা মহাক্লা লম্বা তৌনখিবা জোতিন ৱাইখোমনা পিটিসনর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসিন নম্বর- ৮ ওফ২০১৭ অদুগা মরী লৈননা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা মিসেলিনস (ইলেক্সন পিটিসন) নম্বর- ২৪ ওফ২০১৯ অমসুং মিসেলিনস (ইলেক্সন পিটিসন) নম্বর- ২৪ ওফ ২০১৭ ঙসি লৌখৎতুনা খন্নখ্রে।

জষ্টিস লানুশুংকুম জামিরগী বেঞ্চনা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী মেন কেস ওইরিবা নম্বর-৮ ওফ২০১৭গা মরী লৈনবা মিসেলিনস কেসশিং অসি লৌখৎলকপদা এম সী অনী অসিগী এপ্লিকান্টকী মায়কৈদা লেপখিবা এদভোকেট অজয় পেবমনা মহাক্কী ওইবা সবমিসনশিং কোর্টতা থমখি। মিসেলিনস কেস (ইলেক্সন পিটিসন) নম্বর- ২৪ ওফ ২০১৭গী মতাংদা মসিগী এপ্লিকান্টনা প্রেয়র তৌরক্লিবনা হায়রিবা মিসেলিনস কেস অসিগী এপ্লিকেসনদা শেমদোক-শাদোকপদা অয়াবা পীবীয়ু হায়জরকখিবনি।

কোর্টনা এপ্লিকান্টকী মায়কৈদা লেপখিবা এদভোকেটকী ৱাফম তারবা মতুংদা কেস অসিগী মরী লৈনরিবা রেস্পোন্দেন্টতা নোটিশ ইস্যু তৌখি। অদুগা কেস অসিগী রেস্পোন্দেন্ট নম্বর ১ (রিটর্ন কেন্দিদেট) ওইরিবা এম এল এ খুমুকচম জয়কিষনদা মহাক্কী মায়কৈদগী ওবজেক্সনশিং ফাইল তৌরক্লবগী মতম নুমীৎ নীনি পীখি। লোয়ননা কেস অসিগী মখা তাবা ৱায়েলগীদমক মথং থাগী ৪দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি।

পনবা য়াবদি, ইলেক্সন পিটিসন অসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌখ্রবা মতুংদা কোর্ট অসিনা ৫৮লক লৌখৎতুনা খন্নরবসু হৌজিক ফাওবদা দিস্পোজ তৌবীদ্রে হায়দুনা সুপ্রীম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর- ৬৬৬ ওফ ২০২০ ফাইল তৌখিবনি। পিটিসনর জোতিন ৱাইখোমগী সিভিল রিট পিটিসন অসি এপেক্স কোর্ট অসিনা লৌখৎতুনা খন্নরবা মতুংদা থা অসিগী ২৮দা পীরকখিবা ওর্দর অমদা কেস অসি থা ২গী মনুংদা দিস্পোজ তৌনবা হায় কোর্টতা দিরেক্সন পীরকখিবনি।

ময়াংলাংজিংদা নুংথিল পোবোবতা খুবাক ময়াইদা শগুন তৌরে

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস): ময়াংলাংজিং নুপী শেমগৎ শাগৎ মরুপ (এম এন এস এস এম), ময়াংলাংজিং, স্পীনিং মিলস রোদকী প্রসিদেন্ট কৈনাহনবীনা থাদোরকখিবা চেরোল অমদা ১৭-লমশাং এসেম্বলী কনষ্টিট্যুএন্সিগী মনুং চল্লিবা ময়াংলাংজিংদদি নুংথিল পোবোবতা খুবাক ময়াইদা শগুন তৌরে হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মালেমসিদা খ্বাইদগী চাউবা স্কিম অমসু ওইরিবা অদুগা মীওই মিলিয়ন ৮০০ দা কান্নবা পীরিবা প্রধান মন্ত্রি গরিব কল্যান অন্ন যোজনা (পি এম জি কে এ ৱাই)না মীওই অমমমদা চেঙ কিলোগ্রাম ৫ নৎত্রগা গেহু কিলোগ্রাম ৫ পীরিবা স্কিম অসি ময়াংলাংজিংগী ওইনদি চেঙ অমসুং গেহু মশিং শুনা পীদ্রে হায়রি।

মীওই অমদা কিলোগ্রাম ৫/৫ পীগদবদা কিলোগ্রাম ৪/৪ খক্তমক পীদুনা নুংথিল পোবোবতা খুবাক ময়াইদা শগুন তৌদুনা লৈরে। থৌওং অসি মীয়ামগী ঈ চুপ্পনি লোয়ননা হৌজিক কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক্কী মথক্তা লায়রবা মীয়ামদা হেন্না পীবা চৈথেংনি হায়রি। মরম অদুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা য়েংশিনবীদুনা মীয়ামগী চেঙ অমসুং গেহু শগুন তৌরিবা মীওইশিংগী মথক্তা অথুবা মতমদা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপীয়ু হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

য়াইফ পাউজেল পীজরি: এমেস্কো

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস): পীক্লবা ইরমদম মণিপুর মীয়ামগী থৱায় কনজনবা ৱাখল লৌশিং পুম্বা অখাকপা লৈতনা হনবা লৈতনা পুথোক্লগা লান্থেংমিন্নহৌবগী তঙাইফদবা লৈ। মসিনা মরম ওইরগা কুমসি চহীগী ওইনদি মৈতৈ পাঙলশিংনা শেংলবা ইদ-উল-জুৱাগী থৌরম ইশা-ইশাগী য়ুমদা ইমুং-মনুংগী মীওইশিং খক্তা তাইবং মপুবু খুরুমদুনা পাংথোকপীনবা নোল্লুক্লা হায়জরি হায়না ওল মণিপুর ইথনিকেল সোসিয়ো কলচরেল ওর্গনাইজেসন (এমেস্কো)গী প্রসিদেন্ট বি কে মোইরাংচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কৎথোকপদা য়ূম্ফম ওইবা ইস্লাম লাইনিং চৎপা মৈতৈ পাঙ্গলশিংনা খাংবা কনবগা লোইননা পূম্নমক কৎথোকপীদুনা মণিপুরগী লৈমায়দগী অমদি মালেমগী মফম পুম্বদগী কোভিদ-১৯বু মাইথিবা পীদুনা অহিংবা মীওইবা খুন্নাই অমা ওইহৌনবগীদমক তাইবঙ মপুদা থৌনিবিয়ু হায়নসু এমেস্কোগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

পিপলস টাস্ক ফোর্স...

লামায় ১গী মখা... হৌজিক-হৌজিকমক লমদম অসিগী মীয়াম্না কোভিদ-১৯গী প্রোটোকোলশিং ঙাক্লা চৎপা ওইদ্রি। লোয়ননা লৈকায় অমদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওই য়াওরক্লেহায়দুনা লৈকায় অমদা শম্বল খাজিন্দুনা লম্বী চৎথোক-চৎশিনদা অপনবা পীবা অচুম্বা থৌওং নত্তে। কোভিদ-১৯ থেংননবগী অচেৎপা থৌদাংশিং মতমগা চুননা লৈকায়-লৈকায়দা লৈরিবা ক্লব, ভিলেজ ওথোরিটিগী মীওইশিংনা লৌবিবা চঙই। লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট অমদা কোভিদ-১৯গী ট্রান্সমিসন থোক্লে হায়দুনা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী মীয়াম্বু হন্থনা য়েংবনা লায়না অসি মাঙহনখিবা ঙম্লোই। মীপুম খুদিংমক্লা ৱাখল তামিন্নদুনা থবক পায়খৎমিন্নবা খক্তনা লমদম অসিদা কোভিদ-১৯ পাকশন্না শন্দোরকপা থিংবগা লোয়ননা লাইচৎ অসিবু মায়থিবা পীবা ঙমগনি। টাস্ক ফোর্স অসিগী মপুং ওইবা থবক থৌরমশিংদি মীয়ামগা মরুওইনা খুল লৈকায়গী ক্লব, ভিলেজ ওথোরিটিশিংগী মতেংগা লোয়ননা খুৎশম্নুনা থবক থৌরমশিং পাঙথোক্লগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

ইদ-উল-জুহাগী য়াইফ পাউজেল...

লামায় ১গী মখা... থাদোরকখিবা য়াইফ পাউজেল পীবগী চেরোল অদুনা হায়, ইদ-উল-জুহা ২০২০না লাকপদা মণিপুর মীয়াম মরু ওইনা মুসলিম ইচিন-ইনাওশিংদা য়াইফ পাউজেল পীজরি। কোভিদ-১৯না হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগী য়েংলগা লায়না-লাইচৎ অসি শন্দোরকপা থিংনবা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিংসু মীয়াম্না লৌখৎপীয়ু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

ইদ-উল-জুহানা লাকপদা ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎ, হেল্থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমার, রাজ্য সভাগী এম পি মহারাজা লৈশেম্বা সনাজাওবা অমদি মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিনসু মণিপুর মীয়ামদা মরু ওইনা ইস্লাম লাইনীং চৎপা ইচিন-ইনাওশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা অমসু...

লামায় ১গী মখা... শুখ্রে। অদুগা ৯৩১না হৌজিক হৌজিক এক্টিভ ওইরি।

কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা লৈখিদবশিংগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংশিং হেন্দল তৌনবগীদমক মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী পাউতাক মতুংইন্না ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগীসু এস ও পি অমা হৌখিবা মে ৩০দা থোকখিবা লৈরে। এস ও পি ঙাক্লা হেন্দল তৌরবা থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংশিং অদুদগী খুদোংথিবা থোক্লিংঙাই লৈতে। থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংশিং অদু মথৌ তাবা হীদাক-লাংথকশিং নিংথিনা কাপথোক্লবা মতুংদা বোদি বেগশিংদা নিংথিনা হাপ্তুনা থম্মী। মণিপুরদা অহানবা ওইনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওই অমা লৈখিদবা অদু হৌখিবা জুলাই ৩০গী অহিং নোংয়াইদা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে। অনীশুবা কেস ওইনা লৈখিদবা মীওই অদুসু নুমিৎ অসিমক্কী নুমিদাংদা চীংমৈরোংগী মফম অমদা ফুমদুনা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে। মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনষ্ট্রেসনশিং অমসুং মেদিকেল টিমশিংনা চোকথবা নাইদনা ষ্টেট অসিদা হৌজিক ওইরক্লিবা কোভিদ-১৯গী ফীভমশিং অসিবু লাকশিন্নবা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎলি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, অহানবা মণিপুর রাইফলসকী ফেমিলি লাইনদা লৈবা ৮শুবা মণিপুর রাইফলসকী পর্সনেল অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রবা মতুংদা মফম অসিদা লৈবা পর্সনেলশিং অমদি মখোয়গী ইমুং মনুংগী মীওইশিং টেষ্ট তৌবগী থবক লেপ্তুনা চথুরি। অহানবা মণিপুর রাইফলসকী ফেমিলি লাইন অসি অনৌবা হোটস্পোট অমা ওইরক্কদ্রা হায়বগী মীপাইবসু পোক্লরি।

পোজিটিভ ওইরবী এক্যুইজ লায়েংলিবা...

লামায় ১গী মখা... স্পেসল পব্লিক প্রোজিক্যুটর (স্পেসল পি পি)না সবমিসন তৌরকখিবা ৱাফমশিং কোর্টনা তাখি। এক্যুইজ নুপী অদু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়বগী ৱাফম অসি মণিপুর সেন্ট্রেল জেল, ইম্ফালগী সুপরিন্টেন্দেন্ট অমসুং এন এ বি পুলিস ষ্টেসনগী ও সীগী মায়কৈদগী পীরকখিবা রিপোর্টশিংদা খঙহল্লকখিবনি হায়রি। লোয়ননা এক্যুইজ নুপী অদু জেনিমসকী কোভিদ ক্যের সেন্টরদা এদমিট তৌরে হায়নসু ফোঙদোরকখি। মরমশিং অসিদগী কোর্টনা লোগী মীৎয়েংদা মহাকপু এদমিট তৌদুনা থল্লিবা মফম অদু জেল ওইনা দিক্লার তৌননবা স্পেসল সেক্রেটরি (হোম)দা খঙহনখিবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্লবী এক্যুইজ অদু মশাগী চহী ৪২ রোম শুরবী ময়ুম পাল্লবীনি। মহাক চীংগী দিষ্ট্রিক্ট অমদগী লাক্লগা হৌজিক্লা ইম্ফাল ইষ্টকী মফম অমদা লৈবনি। অদুগা মহাক্লা লোয়ননা ফাখিবা অতোপ্পা এক্যুইজ অদুনা মশাগী চহী ২৭ রোম শুরবা মীওইনি। মহাক্লা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী ঐচ খোপিবুং ভিলেজদগীনি হায়রি।

জেলদা থাজিল্লুরবা মতুংদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ...

লামায় ১গী মখা... গেট মনাক্তা লৈবা মণিপুর সেন্ট্রেল জেল, ইম্ফালদা রিমান্দ তৌননবা পুশিল্লুবদা জেলগী ওথোরিটিনা কোভিদ-১৯ টেষ্টকী রিজল্ট পুরকউ হায়রকপদগী পন্থদনা সী এম ও/ইম্ফাল ইষ্টকী মখাদা টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরমখিবনি। থৌদোক অসিদগী কোর্ট অসিগী স্পেসল জজ এ নৌতুনেশ্বরীগী মায়কৈদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী রেজিষ্ট্রার জেনরেলদা অইবা চেরোল অমা পীদুনা কোর্ট অসিগী প্রিসাইদিং ওফিসর ওইরিবী মহাক য়াওনা এক্যুইজ অনী অসিবু কোর্টতা পুথোরকখিবদা কোর্ট রুম অমসুং অকোয়বদা লৈখিবা ষ্টাফ, উকিল অমদি মীওইশিং টেষ্ট তৌথোকপীনবা অমসুং দিসইনফেক্সন কাপথোকপীনবা হায়জখিবনি।

প্রিসাইদিং ওফিসরগী চেরোল অসিগী মতুংইন্না রেজিষ্ট্রার জেনরেলনা মণিপুর লৈঙাক্কী দিরেক্টর (হেল্থ)তা মসিগীদমক অইবা চেরোল অমা পীদুনা হায়জখিবনি। মসিগী মতুংইন্না কোর্ট অসিগা মরী লৈনবা মীওই ১৬ টেষ্ট তৌবদা ঙরাং কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে খঙলকখিবা এক্যুইজ নুপী অদুগী মায়কৈদা লেপখিবা এদভোকেট অদুসু পোজিটিভ ওইরম্বনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ঙসি পাউচে অসিগা কোর্ট অসিগী প্রিসাইদিং ওফিসরগা শানখিবা ৱারীদা পাউ অসি কনফর্ম তৌখিবগা লোয়ননা প্রিসাইদিং ওফিসর মশামক অমসুং অতৈ মীওইশিং অসি কোর্ট কমপ্লেক্স অসিদা নুমীৎ খরনি ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈখিগনি হায়না ফোঙদোরকখি।

অমরোমদা, পাউচে অসিনা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ওল মণিপুর বার এসোসিএসন (অম্বা)গী প্রসিদেন্ট মাইবম নিলাচন্দ্রগা শানখিবা ৱারীদা মহাক্লা হায়, হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিগী ওইনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা এদভোকেট মশিং ২ শুরে। অহানবগী কেস অদুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবনি। অহানবগী থৌদোক অদুদগী এদভোকেটশিংগী মায়কৈদগীসু কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক্কী মায়োক্তা লৌখৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎতুনা লাকখিবনি। অদুবু অনীশুবা ওইনা উকিল অমগা অমুক পোজিটিভ ওইরকপসি য়াম্না লাইবক থীবনি হায়রি।

হায় কোর্টনা ওগষ্ট ৩দগী প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস এগজামিন তৌবা হৌরগনি

লামায় ১গী মখা... নাকল অনীগী কাউন্সেলশিংগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা ঙসিগী কেস অসি ইলেক্সন পিটিসনর ওইরিবা ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংগী অপাম্বগী মতুংইন্না দোক্যুমেন্টশিংগী এদমিসিবিলিটিগী মতাংদা খন্ননবা লৌখৎপনি হায়খি।

লোয়ননা কেস অসিদা এদমিসন তৌবা য়াব্রা নৎত্রগা য়াদব্রা হায়বগী মতাংদা খন্নগনি হায়রিবা দোক্যুমেন্টশিং অদুনা দিল্লি হায় কোর্টনা তোঙান-তোঙানবা কেস ৩ (ক্রিমিনেল এল পি-১৪২ ওফ ২০১২, ক্রিমিনেল এম এ নম্বর-৩১৪৯ ওফ২০১২ অমসুং ৭১৮১ ওফ ২০১২)গী মতাংদা কুমজা ২০১৩গী মার্চ ৭তা পীখিবা ওর্দরগী সার্টিফাই কোপী, দিল্লি হায় কোর্টনা কেস নম্বর ক্রিমিনেল এল পি-১৪২ ওফ ২০১২কী মতাংদা কুমজা ২০১৪গী মে ১৬তা পীখিবা ওর্দরগী সার্টিফাই কোপী, দিল্লি হায় কোর্টতা লৈরিবা কেস নম্বর ক্রিমিনেল-এ-৬১৮ ওফ ২০১৪গী কেস হিষ্টোরি অমদি ষ্টেটস রিপোর্টকী ফোটো কোপী, ৭-অন্দ্রো এ সীগী রিটর্নিং ওফিসরনা নোমিনেসন পেপর অয়াবা পীখিবা নৎত্রগা রিজেক্ট তৌখিবগী ফোটো কোপী, পিটিসনর অসিদা এদ্রেস তৌরকখিবা ৬-কৈরাও অমসুং ৭-অন্দ্রো এ সীগী ইলেক্টোরেল ওফিসরগী কুমজা ২০১৯গী ওক্টোবর ১৪দা পীরকখিবা চেরোল, পিটিসনরদা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরগী সেক্রেটরিগী মায়কৈদগী কুমজা ২০১৬কী ওক্টোবর ১৭ তা ইরকখিবা চেরোলগী ফোটো কোপী, রেস্পোন্দেন্ট নম্বর ১ ওইরিবা টি ঐচ শ্যামকুমারদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দেপ্যুটি রেজিষ্ট্রর (একাদেমীক) ডা. আর কে জেতিননা কুমজা ২০১৬কী নবেম্বর ১০ দা পীরকখিবা চেরোলগী ফোটো কোপী, পিটিসনর মশাদা এম য়ুগী রেজিষ্ট্রার/এফ এ এ প্রোফেসর এম শ্যামকিশ্বরনা কুমজা ২০১৬কী দিসেম্বর ১৯ দা ইরকখিবা চেরোল, এম য়ুগী দেপ্যুটি কন্ট্রোলর ওফ এগজামিনেসনন প্রি-য়ুনিভর্সিটি কোর্স এগজামিনেসন, ১৯৮৯ (আর্টস)কী দিক্লার তৌখিবা ৱিট হেল্ড রিজল্টকী ফোটো কোপী, এগজামিনেসন অসিগী দেপ্যুটি কন্ট্রোলর ওফ এগজামিনেসনন থোকখিবা রিজল্টকী ফোটো কোপী, দিল্লি হায় কোর্টনা ক্রিমিনেল কেস নম্বর এল পি-১৪২ ওফ ২০১২গা মরী লৈননা কুমজা ২০১২গী নবেম্বর ৮, কুমজা ২০১৩গী জন্যুৱারী ১৫, মার্চ ৭, ওগষ্ট ১২ অমসুং কুমজা ২০১৪গী মে ১৬তা পীখিবা তোঙান-তোঙানবা ওর্দরশিংগী ফোটো কোপী অমসুং অন্দ্রো এ সীগী রিটর্নিং ওফিসরনা নোমিনেসন পেপর অয়াবা পীখিবা নৎত্রগা রিজেক্ট তৌখিবগী ফোটো কোপীনচিংবনি।

কোর্টকী ৱাফম অসিদা পিটিসনরগী মায়কৈদা লেপখিবা এদভোকেট এ মোহেন্দ্রোনা মহাক্কী মায়কৈদগীদি হায়রিবা মেটর অসিগী মতাংদা মহাক্লা কোর্টতা তকশিনবা লৈতে। মসিগী মহুৎতা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী হিয়রিং চথবীয়ু হায়না প্রেয়র তৌখি।

কোর্টনা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী পিটিসনরগী ৱাফম তারবা মতুংদা পিটিসনরনা কেস অসিগা মরী লৈনহনবা পাম্মী হায়রক্লিবা দোক্যুমেন্টশিং অসি রিজেক্ট তৌরগা পিটিসন অসিগী হিয়রিং চথরগনি হায়খি। লোয়ননা কেস অসি মথং থাগী ৩দা প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস নম্বর-১ এগজামিন তৌনবগীদমক লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি।

পনবা য়াবদি, পিটিসন অসিগী পিটিসনরগী মায়কৈদগী কুমজা ২০১৯গী ওক্টোবর ১৮দা পি দব্লিয়ু ২ কোর্টতা সবমিট তৌরকখ্রবনি। অদুগা রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-১ ওইরিবা টি ঐচ শ্যামকুমারগী মায়কৈদগীনা কুমজা ২০১৯গী ওক্টোবর ২১ দা দিফেন্স ৱিটনেস (দি দব্লিয়ু) ১৫গী মমিংশিং কোর্টতা সবমিট তৌরকখ্রবনি।